ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ইম্ফালগী নোর্থ এ ও সীদা লৈবা আর কে সনাতোম্বী দেবী কোলেজ ওফ এদ্যুকেশনগী নুমিৎ তরুক্তি চথগদবা কোলেজ ৱীক হৌদোকপগী থৌরমদা মহৈরোয়শিংগী কন্টিঞ্জেন্ট অমনা মার্চ পাষ্টতা শরুক য়াবা


গমনা নপ-নপ লাউরিবগী মরম করিগীনো ? ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ হৌখিবা মে ৩, জুন ১৮ নীংশিংলকই, অমুক হন্না ...

এম দি য়ুগী ড্রামা 'মীনুংশি' ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ সী পি আইনা মণিপুরদা পোলিটিকেল সোল্যুশন...

ৱাশিংটন পোষ্টনা দোনাল্ড ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ কে সী সী কোংবনা ৱাই য়ু সী সী ক্বাকৈথেল ...




মসলশানা শীন্দুনা শজিৱা অমসুং ইম্ফাল জেলদা লিগেল এৱেয়র্নেস পাঙথোকপদা হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং অতৈ জজ শিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল জেলদা এল এ সী অমা হাংদোকপা


Vol. 48, Issue No. 318 | নোংমাইজিং, ফাইরেনগী ২৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, February 23, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


### চুড়াচান্দপুর ১সুং মোরেগী মতুংদা গভর্ণরনা কাংপোকপী ১দি সেনাপতিদা চৎখ্রে

## দিষ্ট্রিক্ট ২দা আই টি সেন্টর অমমম হাংদোকখ্রে, রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখ্রে

## হায়ৱে শেমগৎপগী থবক অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী মতাংদা তকখৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৪গী দিসেম্বর ২৪দা এপোইন্টমেন্ট পীরকখ্রবা মতুং মমাঙ থাগী ৩দা মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌবদগী ফম অসিবু পুরক্লিবা অজয় কুমার ভল্লানা চুড়াচান্দপুর অমসুং মোরেদা চৎতুনা মফমশিং অদুগী সী এস ও লুচিংবশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেশনগী ওফিশলশিংগা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শাখ্রবা মতুং ঙসি কাংপোকপী অমসুং সেনাপতিদসু চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট অনীমক্তা ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজি (আই টি) সেন্টর অমমম হাংদোকখিবগা লোয়ননা নেশনল হায়ৱে দিভেলপমেন্ট প্রোজেক্টকী মখাদা করি করম্বা থবকশিং পায়খৎলবগে অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম্না করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়না মরী লৈনবা ওফিশলশিংদা তকখৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক্তগী হৌখিবা গভর্ণরগী খোঙচৎ অসিগী অহানবদা মহাক্না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মোটবুংদা লৈবা প্রসিদেন্সি কোলেজদা চঙদুনা কোলেজ অদুগী কেম্পসতা আই টি সেন্টর অমা শঙ্গাখি। সেন্টর অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী ফন্দিং মখাদা শাগৎপনি। গভর্ণরনা কোলেজ অসিগী মহৈরোয়শিংগসু হকথেংননা ৱারী শানদুনা মখোয়না মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবশিং হংলম্লবা মতুং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা চৎতুনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর, পুলিসকী এস পি অমসুং অতোপ্পা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪



গভর্ণরনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ইনফোর্মেশন টেক্নোলোজি সেন্টর অমা হাংদোকপা

### প্রসিদেন্টস রুল মণিপুর

## সেন্টরগী লুচিংবশিংনা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগী ইঙ্গিৎ ফাওবা পীরক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** মণিপুরগী তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা মৈরা পায়বী লূপশিং য়াওনা সী এস ওশিং অমদি মীয়ামগী লূপশিংনা প্রসিদেন্টস রুলগী মহুত্তা অনৌবা লৈঙাক অমা নৌহৈননা শেম্নবা অকনবা দিমান্দ তৌদুনা খোঙজং কয়া চঙশিন্নরকপগা ইরোয়ননা সোশল মীদিয়াদা রিজাইন তৌখ্রবা এন বিরেনগী লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরম্বা অমবু অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনবগীদমক খল্লক্লে হায়বা ৱাফম ভাইরেল ওইরকখ্রে।

ফীভমশিং অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৪৪ রোম তারকপদা পাউচে অসিনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মীওই অমদা টেলিফোন তৌদুনা হংখিবদা ঙসি ফাওবদদি সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবগী ইঙ্গিৎ ফাওবা পীরকপা লৈত্রি। অদুগা লৈঙাক লুচিংনবা মীওই খল্লকপসু লৈত্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

## থাদোকফম থোক্লবা ফমবু থৌওইনা থাদোকউ হায়রকপা ঙাইবা চুম্ব্রা

### 'ডোক্ট্রিন ওফ প্লেজর' গী মখাদা এপোইন্টমেন্ট পীখিবশিং লৈঙাক লৈত্রবদি মফম লৌথোকউ হায়না ও জয়না গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কয়ারক হন্না মেম্বর ওইরম্বদা নত্তনা এসেমব্লি অসিগী দেপ্যুটি স্পিকর অমসুং লো মিনিষ্টর ফাওবা অনীরক ওইরমখিবা শক্লাইরবা ভেটরেন পোলিটিসিয়ন



ওক্রম জয়না ষ্টেট লৈঙাক্না 'ডোক্ট্রিন ওফ প্লেজর' হায়রগসু খঙনবা অদুগা অতোপ্পা ৱাহৈদনা গভর্ণমেন্টনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### গভর্ণরনা তৌখিবা আপীলগী মহয় চুড়াচান্দপুরদসু য়াল্লে

## কুকি-জোমিনা নোংমৈ ১৬ সরেন্দর তৌরক্লে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ৩দা অজয় কুমার ভল্লানা গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌবদগী ফম অসিবু পুরক্লবা মতুং থা অসিগী ১৩দগী প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপগা ইরোয়ননা থা অসিগী ২০দা গভর্ণরনা নুমিৎ অসিদগী হৌরগা নুমিৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## থৌবালদসু ফুট পাঠ খোপচিনবশিংগী মথক্তা উকায় তকথখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস) :** টিদ্দিম লম্বী পরিংগী কৈশাম্পাৎ জঙ্কশনদগীনা ইস্কোনগী মনি মন্দির ফাওবগী মনুংদা লম্বী অসিগী নাক-য়েৎতা লৈরিবা ফুট পাঠশিং খোপচিন্দুনা দুকান অমদি হোটেল ফমজিনবা য়াওনা মানা-মানা পাম্বা মওংদা শীজিন্নরকপগী মায়োক্তা ৱাকৎনরকপদগী পাউচে অসিনা হকথেংননা য়েংশিল্লুরবা মতুং থা অসিগী ১৯দা মরীক চুম্বা রিপোর্ট অমা মীয়ামদা থমখ্রবা মতুং মথংগী নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ট্রাফিক পুলিসকী এস পিনা লুচিংবা টিম অমনা অকনবা থবক লৌখৎলকখিবগা ইরোয়ননা থৌবালদসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি, এস ইবোমচানা লুচিংবা টিম্না ঙসি নেশনল হায়ৱেগী নাক-য়েৎতা লৈবা ফুট পাঠশিংবু খোপচিন্দুনা লান্না শীজিন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা অকনবা ড্রাইভ চত্থবা হৌখ্রে।

পুলিসকী ড্রাইভ অসিদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি অদুগা থৌবাল কৈথেলদগী হৌরগা মসিগী অকোয়বদা লৈবা হায়ৱেগী নাক-য়েৎতা লৈবা ফুট পাঠশিং খোপচিন্দুনা পোৎফম অমদি দুকান শাজিল্লম্বশিং শিদোকখি।

ঙসিগী ড্রাইভ অসিগা মরী লৈননা এস পিনা ফোঙদোকখিবদা হায়ৱেগী নাক-য়েৎতা দুকান/পোৎফম ফল্লিবশিংনা ইশা ইশাগী মফমদগী হেন্দোক্না ফুট পাঠতা ফমজিনবা অমদি শাজিনবগী থবক তৌরিবসি লেপ্পীয়ু। হায়ৱেগী নাকলদা লৈরিবা ফুট পাঠশিং অসিদা দুকান হেন্দোক্না শাজিল্লকপা অমদি ফমজিল্লকপনচিংবা তৌরকপনা মসিদা চৎথোক চৎশিন তৌগদবা মীয়াম্না হায়ৱেদা কুমথরগা চৎনরকপনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



### কম্মান্দোদা কিহল্লকপা কে সী পি-সিটি মৈতৈগী কাদরনি হায়বা ১ ফারে, খুল ঙাকপনি হায়দুনা থিংনবা হোৎনরুবী নুপী ১ ফূরল্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** ঙরাং সোশল মীদিয়াদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী শকখঙদবা মীওই অমনা ষ্টেট ফোর্স মরু ওইনা কম্মান্দো পর্সনেলশিংদা কিহন-খৎহনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকপা ভিদিও অমা থাগৎলকপদগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা সাইবর ক্রাইম পুলিসকা খুৎশম্নদুনা মীওই অদুগী খোঙ্গুল লীরকপদা চিংনরিবা মীওই অদু থম্নাপোকপী মমাঙ ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



## মীতৈগা মীতৈগা খৎনবগী ফীভমদা লাক্লিবসি চুমদে : ৰুংকথিং মকাং তাঙ্খুল

নোমিতা খোংবান্তাবম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস) :** কুকিনা লান তৌরকপদগী মায়োক্নরকপদা মীতৈ মচা য়াম্না শিরে অদুগা মীতৈগা মীতৈগা খৎনবগী ফীভমদা অমুক লাক্লিবসি চুমদে হায়না তোঙৌ ভিলেজ (রিংগুই ভিলেজ) গী তাঙ্খুল নাগালোং কষ্টমরি কোর্টকী জষ্টিস ৰুংকথিং মকাং তাঙ্খুলনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙ থাগী ৯গী নুংথিলদা এন বিরেননা মহাক্কী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবা, মহাক্কী রেজিগনেশন অদু গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা



ৰুংকথিং মকাং তাঙ্খুল

অয়াবা পীখিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## খাঙবোক : পি আর ১সুং খুল ঙাকপা ফাবগী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস) :** তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা মরু ওইনা নুপীশিংনা প্রসিদেন্টস রুলগী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপগা



খাঙবোক অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা খাঙবোক লম্লোং কৈথেলদা রেল্লি চৎপা

লোয়ননা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ানীংদে হায়রকপগী মখা তারকপদা ঙসি নুমিদাং খাঙবোক অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা খাঙবোক লম্লোং কৈথেলদা মৈরাগী খোঙচৎ চৎতুনা মণিপুরদগী প্রসিদেন্টস রুল লৌথোকউ অমসুং খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই হায়বা খোল্লাওশিং লাউখ্রে।

## নুপীশিংনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা লৈঙাক শেম্নবা মতম থাখ্রে

### গভর্ণর ১সুং বি জে পগী প্রসিদেন্টদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** মণিপুরদা হৌজিক মপী-মপা লৈতবগুম ষ্টেট লৈঙাক লৈত্রিবা অসি নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা লৈঙাক শেমদুনা লৈহনগদবনি হায়না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা মৈরা পায়বী অমদি নুপী কয়ানা গভর্ণর অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে।

খুরাই, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### 'অথুবা মতমদা এম এল এ ৫০ পূনশিল্লগা মরা চেৎপা লৈঙাক অমা শেমগদবনি'



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** কুকিগী এম এল এ ১০ খায়দোকখ্রগা লেমহৌরিবা মণিপুরগী য়েলহৌমী এম এল এ ৫০ কথোক্নরগা অথুবা মতমদা মরা চেৎপা মণিপুর লৈঙাক অমা শেমগদবনি হায়না ইবুধৌ থাংজিং পানা মোইরাং সব দিভিজনগী কনভিনর য়ুম্নাম তোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

...মখা লমায় ৬ কলম ৭

## হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা টিম্না জেলগী ফীভম য়েংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী পেট্রোন ইন চীফসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা শজিৱা অমসুং ইম্ফালগী মণিপুর সেন্ট্রেল জেলদা মসলশানা শীন্দুনা 'রাইটস ওফ দি প্রিজনরস' হায়বা থিমদা পাঙথোকপা লিগেল এৱেয়র্নেস প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা জেলশিংগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

থৌরম অসিদা মসলশাগী এগজিক্যুটিভ চেয়রমেনসু ওইরিবা জষ্টিস এ বিমোল, জষ্টিস এ গুনেশ্বর অমসুং জষ্টিস গোলমৈ গাইফুলশিল্লু কবুইসু শরুক য়াখি।

থৌরমগী মনুং চন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঈরাং হান্না লোইশিল্লু খূৎলায় খোমগৎলক্কে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** প্রসিদেন্টস রুল চলাইরকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তম্পাক্কী খুল ঙাকপশিং লেপ্তুনা ফাবা পূনবগী থবক চত্থরকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাইথৌ, কিয়াম, কিয়াম সিফাই, হাওখ অমসুং থৌবাল খুনৌগী ক্লব ১৮গী অপূনবা লূপ ওইরিবা 'মৈতৈ কম্যুনিতি জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি' না বাবু বজারদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসিগী মতাংদা কম্মিটিগী ট্রেজরর কে ঐচ ইনাওচা অমদি ৱিমেন ৱিংগী সেক্রেটরি পেবম ইন্দ্রানিনা হায়, খুল ঙাকপশিং অসি করি মরমদগী থোরকখিবনো, পি আরগী খুদোংচাবা লৌরগা তম্পাক্কী খুল ঙাকপশিং ফাবা-পূনবগী থবক তোকপীয়ু। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### ক্বাকৈথেল : প্রসিদেন্টস রুল লৌথোক্কদনি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** ঙসি নুমিদাং ক্বাকৈথেলদা মৈরা পায়বীশিং থোরক্তুনা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই অমদি মণিপুরদগী প্রসিদেন্টস রুল লৌথোক্কদবনি হায়দুনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎপগা লোয়ননা খোল্লাও ওইনসু লাউখ্রে। খোঙজং অসিগা মরী লৈননা অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট আর কে ভানুমতিনা পি আর চৎনহল্লকপা পেন্দে অমসুং খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ানীংদে হায়না ফোঙদোকখি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## শগোলশেল নুমিৎতা লাঞ্জেল্লকপদগী ঙসি ফাওবা ইশাগী য়ূমদা হঞ্জিনবা ঙমদনা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লি : রাসেশোরি

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী
**হকথেংনবা পাউদম**
কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)**

য়ূম হায়বসিদগী হেন্না নুংঙাইবা মফম অমত্তা লৈতে। লায়রবা-ইনাকখুনবা হায়বদুসু থোইদোক্তে। ইমুং-মনুং পূন্না নোংমগী করিগুম্বা অফংবা খরা চামিন্নরগা নোক্না-নোক্না লৈমিন্নবদুনা হেন্না পাম্মী হায়না মে ৪, ২০২৩দগী কাংচুপ চীংখোঙদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী অঙোম ওংবী রাসেশোরি (৪৬) মপুরোইবা অঙোম জিলাঙম্বনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লান অসিনা ঙসিদি ইমুং মনুং ফাওবা পূন্না লৈমিন্নবা ফংদ্রে। রিলিফ কেম্প হাংলিবা পীকখ্রবা স্কুল অসিদা লৈকায় অমগী, খুল অমগী মীওইশিং পূন্না লৈমিন্নরক্লিবনি। পীশক পীক্না লাঞ্জেল্লকখিবা অঙাং ফাওবা রিলিফ কেম্প অসিগী লম্পাক্তা চেন্দুনা শান্নবা হৈরক্লে। রিলিফ কেম্প অসিদা ঐখোয়গী য়ূম অমগুম, লৈকায় অমগুম অঙাংশিংনা পূন্না শান্নবা উরগা থৱায় য়াম্না নুংঙাইতে। মখোয়দি মশাগী ময়ূম, মশাগী খুলদা শান্নজবা ফংজদ্রবনি। লাইরিকসু মখোঙ শেংনা তম্বা হায়বদু ওইদ্রে। অঙম অঙম্বা মফমদা লাইরিক তম্বা থানরবনিনা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু খ্বাইদগী অফবা মফমদা লাইরিক তমহন্নীংলবসু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ময়াম অসিদি তমহনবা ঙম্বগী পাম্বৈ লৈতদুনা খূৎ-শা থেক্তুনা খাঙনবা কয়ানি। লৈঙাক অমদি মরী লৈনবশিংনা লান অসি অথুবা মতমদা লোইশিনবীদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মীওইশিং অসি মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দুনা লৈবা য়ানবা লৈঙাক্না শিনবীয়ু।

রিলিফ কেম্প হায়বসিদি মতম খরখক্কী ওইগদবনি। হৌজিক চহী ২ ফাজিল্লক্কদৌরবা ফাওবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপসিদি ৱাবগী পনখৈ লৈরক্ত্রে। ময়াম্না রিলিফ কেম্পতা লৈবশিংসি লৈঙাক্না চানবা পীরে হায়দুনা নুংঙাইনা লৈবা মানবসু য়াওরমগনি। অদুবু চয়োল অমত্তং লৈবীরগা খঙগনি। অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা, করিগুম্বা অচিনবা অমা লাকপা মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নবগে হায়বদু লৈরবা মতমদতা খঙগনি।

রিলিফ কেম্প লৈরিবা মফম অসোমদদি লম্বী মপান্দা থোক্লগা পোৎ য়োনবগী খুদোংচাবসু কয়া লৈতে। খুল অসিসু লান তোয়না থোকপা মফমগা নক্না লৈবনিনা মীওই পুম্নমক অৱাবা মায়োক্নে। অতোপ্পা মফমদগী মীওইশিংসু কয়া লাক্তে। লান হৌরকপা মতমদদি মীয়াম্নসু মতেং পাংবা লাকপীরম্মী। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## শেলগী দিমান্দদা ফাখিবা নন লোকল ড্রাইভর পুলিসনা কল্লে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** অসামদগী য়োৎ পুরগা জি রি লম্বী ফাওরগা লাকখিবা ট্রক অমগী নন লোকল ড্রাইভর অমা মোইরাং কৈথেলগী মফম অমদগী শকখঙদবশিংনা শেলগী দিমান্দদা ফারগা পুখ্রে হায়বদগী পুলিসনা খোঙ্গুল লীদুনা ড্রাইভর অদু তেক্ত-কায়দনা কনখ্রে অদুবু মহাকপু ফাবা মীওইশিং অদুদি নাম্থোকখিবদগী ফাহৌবা ঙমহৌদ্রে হায়রি।

পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়বদা, থৌদোক অসি ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা থোকখিবনি। নন লোকল ড্রাইভর অদুগী খোঙ্গুল লীরকপদা থম্নাপোকপীগী মফম অমদা লৈরে ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ওজা ফূবদা চেন্নবনি হায়বা ওজা ২ পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** ঙরাং থৌবাল নিঙোল্ম্বমদা লৈবা ইভরগ্রীন ফ্লৱর স্কুলদা ক্লাস টেনগী এগজামিনেশন লোইরবা মতুং পুং ১২.১৩ রোম তারকপদা ঈরাং শাগৎতুনা মথৌ পাঙথোকপা পুলিসতা খূৎ থাবা, স্কুল অসিগী লন-থুম মাঙহন-তাকহনবদা নত্তনা মহৈশেঙ অসিগী ওজা অমবু ঈ তানা ফূবদা হকথেংননা চেন্নবনি হায়বা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল (খাঙবোক) গী ওজা ২ থৌবাল পুলিসনা ঙরাংমক ফাগৎখ্রে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়বদা ফারবশিংদি চনম শন্দ্রোকতগী থাংজম সুবচন্দ্র (৩৫) অপোকপা টি ঐচ শ্যামকুমার ১সুং নম্বোল ফোইজিং অৱাং লৈকায়দগী সোরোকখাইবম নিংথেম (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস ধনেশ্বরনি হায়রি।

## সোনিয়া ওইনামগী 'ৱিভিং ড্রিমস' ফোঙখ্রে





**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২২ (ঐচএনএস):** সোনিয়া ওইনামনা 'ৱিভিং ড্রিমস' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ঙসি হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা ফোঙখ্রে। থৌরম অসিদা মণিপুরী সহিত্য পরিষদকী প্রসিদেন্ট লোংজম জয়চন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইরগা ...মখা লমায় ৬ কলম ৫


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫